## ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ঃ ঙসি খুরাই অহোংপুঙ লাইফমলেন্দা খুরাই অহোংপুঙ কনবা লুপ্না উত্রা শঙলেন, সনা কোনুংগী অয়াবগা লোয়ননা ইমোইনু ইমাগী ঈরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈকায় অসিগী ইষ্টর্ন এদ্যুকেসনেল ক্লব অমসুং মীতৈ লাইনীং লূপ অহোঙ্গৈগী মীয়ামসু শরুক য়াদুনা ইমাগী হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মৈরা থানবসু য়াওখি হায়না খুরাই অহোংপুঙ কনবা লূপকী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

## নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ ঃপেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম (পি দব্লিয়ু এফ), মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ৩গী নুংথিল পুং ১ তাবদা ইম্ফালগী ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা ফোরম অসিগী ময়াই শঙলেন্দা মণিপুরগী পুৱারীগী লাইরিক অমা ওইরিবা চৈথারোল কুমপাববু ইংলিস লোন্দা হন্দোক্লস্বতা নৎতনা মণিপুরী কলচরগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী লৈখিদ্রবী ডো. অরাম্বম সরোজ নলিনি পার্রাৎ লৈখিদবগী ৬লক শুবা নীংশিং থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পি দব্লিয়ু এফকী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা ফোরম অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রঘু লৈশাংথেমনা থৌরম মপু ওইগনি। থৌরমগী মনুং চন্না মরৈপাক মরমদমগীদমক নীংজরন্বী সরোজ নলিনি হায়বা হীরম অসিদা খা মণিপুর কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডো. চিরোম রাজকেতননা মরিক চুন্না ৱা ঙাংগনি।

নীংশিংবা য়াবদি, অরাম্বম সরোজ নলিনি পার্রাত কুমজা ১৯৩৩গী জুন ২দা অরাম্বম ইবোহল (মতম অমগী সাহেব হায়না খঙনখিবা) অমসুং অরাম্বম ওংবী বিনোদকুমারিগী মমোম ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। মহাক্না মণিপুরগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা লাইরিক অমা ওইনা লৌনরিবা চৈথারোল কুমপাববু ভোল্যুম ১দগী ৩ ফাওবা হন্দোক্তুনা ফোঙলস্বতা নৎতনা তোঙান তোঙানবা লাইরিক কয়া অমসু ইরন্মী।

## কনফরেন্সকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ঃ হৌখিবা দিসেম্বর ৩১দা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, এ আই ৱাই এফকী খনগৎলবা লুচিংবা ১৮ গুজরাটকী বদোরা সিটিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মণিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ নোরেন, প্রসিদেন্ট কমরেদ শরৎনা লুচিংবা কাঙবু অদুদা কমরেদ অখমসু নেসনেল ইগজিক্যুটিবকী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াবা চৎলিবনি হায়রি।

ফেদরেসন অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, কনফরেন্স অদুদা ইন্দিয়াগী নহারোলনা থেংনরিবা প্রোব্লেম কয়া মরুম পুখৎতুনা কনফরেন্স হৌদোকপদা রেল্লি চৎতুনা লৈঙাক্তা তকশিল্লগা প্রোব্লেমশিং অসি সোলব তৌনবা হোৎনগনি। নেসনেল লেবেলদা থেংনরিবা অমসুং অশোইবা লৈরিবা এদ্যুকেসন চুমথোক্লবা, মীপুম তিংনা থবক পীনবা, লৈবাকসিগী ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসি অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা রিফোর্ম পুক্লবা হায়বা ৱাফম অহুম অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইনা খন্নগনি।

লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা অফস্পা লৌথোকখিনবা, বোর্দরগী ৱাথোক, আই এল পিগী ৱাফম, শেঙ্গা-থুমজানচিংবগী মতাংদসু নেসনেলগী থাক্তা পুখৎতুনা খন্ন-নৈনরুগনি। অফস্পাগী মতাংদা শর্মিলাগী ফোটো য়াওবা দিমান্দ তৌবা পোষ্ট কার্দ পুথোক্তুনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা খুৎয়েক লিশিং কয়া থাজিনখ্রবনি হায়রি।

## পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ঃ কুমজা ২০১৫না লাকপদা পাৎশোই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি লোয়ননা কুমজা অসিদদি মীয়াম মীপম খুদিংমক ঈংনা লৈবা, চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু বন্দ, ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌদবা, ৱাকৎ মীফম ফমদদবা চহী ওইরসনু, নোংমৈ কাপ্পচিংবা, বো লংশিননিংবা, মীয়াম মরক্তা বোম পোকখায়নিংবাসিংগী থম্মোয়দা মীনুংশি ফাওবা ওইরসন, নুপী হাৎপা, ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবা থৌদোক ৱাথোক থোক্তবা চহী ওইরসনু অমসুং পিওনদগী হৌরগা ওফিসারশিংদা শেঙ্গা-থুমজা হায়বসি নামুংবা চহী ওইরসনু হায়না কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## 'লৈঙাকনা ওজাশিংগী ফংফম থোকপশিং মাঙহনগনু'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ঃ অরানবনা পীক থল্লবা রেসনেলাইজেসনগী অরানবা থৌওং অসিবু হেক চুমথোক্ত্রিবা মখৈ এদ্যুকেসনগী চৎলিবা লীচৎ কৈদৌঞ্জেসু অফবা ওইরোই। ৱাফমসি হৌজিক মণিপুর এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা কুপ্না থিজিনবীদুনা মীয়ামগী পুন্সি কনবীনবা হোৎনবীহৌবনা ফগনি খল্লি হায়না ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট টিচরস' এসোসিএসন (এমগোক্তা)গী সেক্রেটরি জেনরেল এন দেবান মঙাংনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক কুমজা ২০১৪গী একাদেমীক সেসন লোইখ্রে। অনৌবা একাদেমীক সেসন ২০১৫ হৌরগনি। ৬শুবা আর ও পি ফংলিবা ওজাশিং পুন্নমক্কী সার্ভিসকী মতমসু কুমজা ২০১৪গী ওইনা লোইখ্রে। ফংলিবা থাগী তোলোপসি ক্বালিটি ফজনা লৈরবা অশেংবা গ্রেজ্যুএট ওজশিং খরনা মখোয়গী সার্ভিসকীদমক ৱায়েনশঙদা হায়জবদগী ফংলিবনি হায়বসি চেনবা য়াররোইদবা ৱাফম্নি। অদুবু অসিগুম্বা সেনিয়ার ওইরবা গ্রেজ্যুএট ওজাশিংনা জুনিয়ার কয়াগীসু চাং মান্ননা মত্তা ওইনা পুন্না ফংমিন্নদুনা লমদমসিগী লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসিবু অমুক্তং অফবা ক্বালিটি লৈবা এদ্যুকেসন অমা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিং অসিদা তাকপি তম্বীদুনা চাউখৎপগী মমি লাক্লবা লেপ্পনা হোৎনরক্লিবনি। অসিগুম্লবা সেনিয়ার গ্রেজ্যুএট ওজাশিং অসি লৈরমদ্রবদি গ্রেজ্যুএট ওজা অমা ওইবগী মতিক ময়াইসু মাঙলমগনি হায়রি।

মরম অসি পে স্কেলগীদমক অমসুং সার্ভিস পেরিএদকীদমক এসোসিএসন সিনা লেপ্পনা হোৎনদুনা লাক্লি। তুংদসু হোৎনখিগনি। মতম অদুদা অফবা অশেংবা গ্রেজ্যুএট ওজা অমগী চপ চাবা মতিক চেল্লবশিংগীদমক লৈঙাক্কী মপুং ফাবা স্কুলশিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা তাকপী তম্বীহল্লু হায়না অকনবা প্রেসর অমা লৈঙাক্তা পীগদৌরিবনি। লোয়ননা গ্রেজ্যুএট ওজা অমা ওইবদা মতিক চাদ্রবশিংদি সার্ভিস্তগী খুদক্তা লৌথোকপীগদবনি। মসিনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম অনীমক্কী মীয়ামগী মফম নোংমা কাংদনা থোক্লিবা ৱাথোকশিং কনবা ঙমগনি হায়রি।

লৈঙাক্কী স্কুলশিংবু কন্ননবা এদ্যুকেসনগীদমক য়াংলেন শরু ওইরিবা গ্রেজ্যুএট ওজাশিংগী সার্ভিস মাঙহনগনু, সাভিস্তা হেরাসমেন্ট পীগনু, মৎতুনা লৈরিবা গ্রেজ্যুএট ওজাশিংগী তৌখিবা সার্ভিসকীদমক ফংফম থোকপা অৱামনশিং ট্রেন্দ স্কেল, সেনিয়ার ট্রেন্দ স্কেল চহী কয়া লৈঙাকনা মৎলিবসি অথুবা মতমদা পীথোক্তুনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কন্ননবা অফবা গ্রেজ্যুএট ওজাশিংগী ফংফম থোকপশিং মাঙহনগনু হায়বসি এসোসিএসন অসিগী চহী কয়া লৈঙাক্তা হায়জদুনা লাক্লিবা ৱাফম্নি হায়রি।

মথক্কী ৱাফমশিং অসিগা লোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী সেসন লোইরমদাইগী মতম ওইরবা টিচরস ডে সেপ্টেম্বর ৫গী হেক নোংঙানবগী গ্রেজ্যুএট ওজা ৪০৬পু মফম মরাং খঙদনা ৱেব সাইটতা হাপচিন্নদুনা কোইরাং লাংহল্লক্তুনা স্কুলশিংদা অকনবা শাফু পীখিবনি হায়রি।

## কোলেজ ওজাশিংনা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্পখ্রে ঃঅমক্টা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২(ঐচ এন এস)ঃ ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা ওল মণিপুর কোলেজ টিচরস' এসোসিএসন (অমক্টা) ইগজিক্যুটিব কমিটিগী মীফম অমা মণিপুর কোলেজদা পাঙথোক্তুনা লৈঙাকনা অমক্টাগী খোঙজংবু থৌশাদবগী মওংবু য়াম্না হকচিন্নবা লৌবগা লোয়ননা মখা তাবা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবগী ফীরেপ লৌখ্রে হায়রি।

অমক্টাগী জোইন্টসেক্রেটরি (পব্লিসিটি) ডো.এম ইনাওচানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, লাক্লিবা জন্যুৱারী ৫দগী হৌগদৌরিবা বি এ, বি এসসি, বি কোম থর্দ সেমিষ্টর ইগজামিনেসনশিংসু অমক্টানা বোইকোট তৌরগনি লোয়ননা অতোপ্পা খোঙথাং কয়াসু থাংজিন্নবগী খন্ন-নৈনখ্রে। ঙসিগী ফীরেপ অসি হৌখিবা দিসেম্বর ২০দা ইমার্জেন্সি জেনরেল বোদি মীটিংনা ইগজিক্যুটিব কমিটিদা শিন্নরম্বগী মতুং ইন্ননি।

নীংশিংবা য়াই, লৈঙাকনা থা ১গী মনুংদা চনৈনরিবা প্রিন্সিপাল এপোইন্টমেন্টকী মতাংদা অকুপ্পা রিপোর্ট পুথোক্তুনা অমক্টাগী দিমান্দশিংগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হায়খিবনি। মতম লৌখিবনি। জন্যুৱারী ৩দদি থা অমা মপুং ফারে। ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী থবক পায়খৎপগী মওং উদ্রি। মরমসিনা খোঙজং অসি কনশিন্নবা লেপ্পখিবনি হায়রি।

অমক্টানা তৌরিবা দিমান্দশিংনা ফ্রেশ নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা রিক্র্যুইটমেন্ট, কেরিয়র এদভান্সমেন্ট স্কীম (সি এস এস) অমসুং অতৈ সার্ভিস মেটরসিং অদুগী মতুং ইন্না প্রোস্পেক্টিব মেন্নরদা চৎনগদবনি। কন্ট্রোভর্সি ওইরিবা প্রিন্সিপালশিংগী এপোইন্টমেন্ট কক্কদবনি লোয়ননা গভর্নমেন্ট কোলেজ খুদিংমক্তা রিগুল্যলার প্রিন্সিপালশিং অথুবা মতমদা অনৌবা নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না হাপকদবনি, হৌজিক ওইরিবা কম্মিসনার (ঐচ ঈ) অসি শিন্দোক্তুনা অতোপ্প মপুকচেল শেংবা হায়র এদ্যুকেসনগীদমক খনবা ঙম্বা অমবু কম্মিসনার ওইহনগদবনি অমসুং কোলেজ ওজাশিংদা পীফম থোকপা এল্লাৱেন্সশিং এস সি এ, টি এ টোপ প্রাইওইরটিদা খুদক্তা পীথোক্তুনা ওজাশিংবু মপুং ফাবা তোলোপ ফংহনগদবনি হায়বসিনি হায়রি।

দিমান্দশিং অসি লৈঙাকনা থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা অমক্টাগী খোঙজং হল্লোই। অদুগা দিমান্দশিং অসিদা হন্দোক হঞ্জিন তৌবসু অমত্তা লৈরোই হায়রি।

তৌরিবা দিমান্দশিং অসি লৈঙাকনা থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা অমক্টাগী খোঙজং হল্লোই। লৈঙাক্কী অথোৎপা ফজবা ৱাহৈনা এসুরেন্স অমক্টানা অপাম্বা লৈতে, থবক্তা ওন্থোরক্তুনা হায়র এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎহনবা, একদেমীক এটমোসফিয়র অফবা পুরকপদুনা অমক্টাগী পান্দমনি। হায়র এদ্যুকেসনবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্তুনা মণিপুরবু মতিং থোকপা অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবা ঙম্নবগী অমক্টাগী খোঙজংবু শেরান্নবা ৱাখল্লোন্দা ওজাশিংবু থওইদবা অমক্টানা তুমিন্না লৈরোই। মসিগী অফ-ফত্ত পুম্বা লৈঙাকনা পুগদবনি হায়রি।

## লালহৌবা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ঃ থাজবা য়াবা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো য়ুনিট অমসুং ২ অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাঙবু অমনা ঙরাং তেরা উরক ঙমুখোংদ জেনরেল এরিয়াদা ওপরেসন চখবদা কে ৱাই কে এলগী কাদার অমা ফারে হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ফারবা অদুনা নোংব্রম ময়াই লৈকায়দগী থাংজম থোইবা মৈতৈগী মচানুপা থাংজম অবুঙোবা এলিয়স মৈরাবা এলিয়স তোম্বাবু এলিয়স সনাথোই মৈতৈ (২২) কৌই। মঙোন্দগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৪গা কোন্ননা ৯ এম এম পিষ্টোল অমা ফংলে। য়াইরিপোক পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলগা থিগৎলি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ১০২গী মোরেদা থৌবাললোমদা কে ৱাই কে এলগী কাদরশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো য়ুনিট অমসুং ৬ দোগ্রা রেজিমেন্টকী অপুনবা কাঙবু অমনা ঙরাং পল্লেল থোংদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেকিং তৌবদা কে ৱাই কে এলগী কাদর অমসুং ফারে। ফারবা অদুনা ৱাঙু অহল্লুপ অৱাং লৈকায়দগী সন্সম দে বেনগী মচানুপা সন্সম য়োন্সন এলিয়স মণিয়াই এলিয়স অবুং (২৯) কৌই। ককচিং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলগা থিগৎপগী থবক চখুরি।

## লোল অমসুং ময়েক চাউখৎহন্নবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি ঃ মীলাল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোল অপুনবা লূপ (মীলাল), কংলৈপাক্কী মহৌশাদগী চঙশিন্দুনা লাক্লিবা লোল অমসুং ময়েক্কী মতাংদা হন্দক কুমজা ২০১৫ অসিদগী ইনৌ নৌবা হেন্না কনশিনবা লোল অমসুং ময়েকপু হেন্না চাউখৎহন্নবা খোঙজং কয়া চঙশিনগদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়না মীলালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন সি মৈরিখোম্বানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীলালনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৫ হেক চঙলকপগা লমদমসিদা শীজিন্নরিবা ইঞ্জিন পানবা গারি খুদিংমক্কী নম্বর প্লেটশিংদা মীতৈ ময়েক্না মকোক্তা চাউনা থাবীগদবনি হায়খিবগী মতুং ইন্না লাক্লিবা জন্যুৱারী ১০দগী মীতৈ ময়েক থারমদবা খুদিংমক থাহন্নবা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি। মসিদা মীয়াম্না লান্না উবীদনবা হায়জরি।

অহৌবগী ওইনা কোরেঙ্গৈ কৈথেলদা খাল্লিবা ওটোশিংদা ময়েক্ন। থারকপা নুমিৎসিদি মীলালনা লেম্না থাগনি, মতুং তারকপদি প্লেট ২গী লুপা ১০০-১০০ লৌগনি। ময়েক থারমদবা অমত্তা মীলালনা লোন্না য়াশিন্নবা তৌরোই হায়রি।

মীলালনসু মাঙজৌননা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা হায় সেক্যুরিটি নম্বর প্লেট শীজিন্নবা চেরোল অমা থোকপগুম লৈঙাকনা শক খঙলবা ময়েক অসিসু থাহন্নবা চেরোল অমা থোক্লবা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। ময়েক থাবগী খোঙজং অসিদা পামদবা থৌদোক থোরক্লবদি মদু ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং মফমদুগী মীওইশিংনা পুগদবনি। মসি সাইন বোদ, বেন্নর, হোর্ল্ডিং এদভর্টিমেন্ট খুদিংমকসু ময়েক থারমদবাশিংসু চপ মান্নবা মীৎয়েং চঙগনি, খুদক্তা লৌথোক্তুনা মাঙহল্লগনি হায়রি। লোয়ননা মীলালনা সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিলিগী মখাদা লম লমগী লোন্দা ইবা লাইরিকশিংদা চহীগী ওইনা অথোইবা মনা পীনবা হন্দক কুমজা ২০১৪গী ওইনা খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি হায়রিবা অসিদা মনা পীনবা লাউথোরকপদা লাইরিক অসিবু খন্নবা থাগৎপদা চাউনা চেন্নরিবা হুইরেম বিহারি মীলালনা ফমিন্ননবা হায়খিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা দিসেম্বর ২৯ নুংথিল পুং ১ তাবদা মীলাল ময়াই লোইশঙদা লাকপিদুনা ৱাখল তামিন্নখ্রে। মতম চানা লাকখিদবদু মপাল লৈপাক্তা চৎলুবনা লাকপা ঙমখিদ্রে অমসুং কুমজা ২০১০দগী ২০১২ ফাওবদা পুথোকপা লাইরিকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা তৌখিবনি, মীলালগী অথিংবদি কুমজা ২০১৪ দগী ওইবনা তঙাই ফদনা য়াগনি খল্লুবনি, মতুংদা য়ারিবা মখৈ চেকশিন্না শোইদনবা হোৎনগে হায়খি। ৱাফম অসি লৈরম্বনা মীলালনা ঐচ বিহারি মশামক লৈঙাক লোইশঙগী লেঙ্গুৱেজ দিপার্টমেন্টকী মখাদা শেমখিবা লেক্সিকোন কমিটিদগী লৌথোক্কদবনি হায়খিবদু মীলালগী মীফম অমনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা হন্দোকপিনবা লোইশঙদা হায়জখ্রে হায়রি।

## নুপীগী ফিদম ফীরেপ্পবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ ঃ নুপীগী ফিদম ফীরেপ্পবা নুমিৎ থৌরম ২৫শুবা ওইনা ইম্ফালগী উরিপোক পোলেম লাইকায়দা লৈবা লাইনিংথৌ খল্লাংবা মশাইকোন্দা লৈমরোল লমজিংকোন (লৈমকোন)না ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপুনবা নুপী লূপকা খুৎশ্নদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লৈমকোনগী জেনরেল সেক্রেটরি এ সি ঙাম্থোইবীনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা নুপী সমাজগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ রমণি, ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপুনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট সোইবম মোমোন লৈমা, অপুনবা নুপী খুন্নাই লমজিং লূপকী প্রসিদেন্ট উরিখিনবম মেমচা, লৈমকোনগী প্রসিদেন্ট এম সি রীতানা মথংশিংনা অথোইবা লেঙবীরকপা, ইকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপশিং অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এন বিহারি কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডো. এন জি একাশিনি, ডো. এল তেজবতি, কে সি সুমতি, এস সি ইনাওচা, লিবরেল কোলেজগী লেকচরর ডো. সি ঐচ চন্দ্রকলা. লিলোং হায়রে সেকেন্দরী মদ্রাসা অমসুং অন্দ্রো লৈমকোন য়ুনিটকী এদভাইজর পি ঐচ তম্পাকলৈমানা রিছোর্চ পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাংখি হায়রি।

অফবী, অচঙবী, মতিক ময়াই লৈবী নুপী মমা অমা ওইদুনা লৈপাক খুন্নাই অমা চাউখৎহন্নবা লাইরেম্বী ইমোইনু ইমানা য়াৎপীরম্বা ৱাখল মীৎয়েং অমসুং ফিদম অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈমরোল লমজিংকোন্না নুপীগী ফিদম ফীরেপ্পা নুমিৎ হায়না মিংথোন্দুনা ৱাকচিংগী ১২নি পানবা নুমিৎ অসিবু চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখিবগী শরুক অমা ওইনা মাঙলোমদা ঐখোয় হায়বা ৱাখল্লোন্দা মমুৎ তানা খন্না নৈনখি হায়রি।

## দ্রামা ফেষ্টিবেলগী রিজল্ট লাউথোখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ ঃ হন্দক পাঙথোকখিবা ১৫শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল, ২০১৪গী রিজল্ট লাউথোকখিবগা লোয়ননা কংলৈ লিভিং আর্ট, উচিৱাগী ওক্তবীনা বেষ্ট প্লে তারে হায়না রূপমহল ঠিএটরগী সেক্রেটরি ঐচ অচৌবানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, সেকেন্দ বেষ্ট প্লেনা বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিএসনগী নুমিদাং অমা, পুন্সিগীনা তারে। বেষ্ট দিরেক্টরনা কংলৈ লিভিং আর্টসকী ওক্তবীগী থৌনাওজম প্রেমজিৎ অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টরনা ইম্ফাল ঠিএটরগী মীহাৎকী এল দোরেন্দ্রোনা তারে। বেষ্ট স্ক্রিপনা লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী কংলা চেকখায়বগী লৈখিদ্রবা পুখ্রম্বা শামু, সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপনা কংলৈ লিভিং আর্টসকী ওক্তবীগী কে ঐস লন্দনবলা অমসুং বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিএনসগী নুমিদাং অমা, পুন্সিগী ডো. প্রিয়োর্বতনা তারে।

বেষ্ট ষ্টেজ এন্দ লাইটনা বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিএসনগী নুমিদাং অমা পুন্সিগী রুহিৎকুমার, নন্দকিসোর, দিজেন অমসুং সুর্যকান্ত অদুগা সেকেন্দ বেষ্ট ষ্টেজ এন্দ লাইটনা লিবর্টি ঠিএটরগী নিপাদো কনানোগী রতন, মহেশ, লোকেন্দ্রোনা তারে। বেষ্ট ম্যুজিকনা ইম্ফাল ঠিএটরগী মীহাৎকী এল চাওবা অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট ম্যুজিকনা লিবর্টি ঠিএটরগী নিপাদো কনানোগী কান্ত অমদি প্রেমনা তারে। বেষ্ট মেক অপনা মৈতৈ আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী লুপাগী খুদোপকী জিতে কলর অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট মেকঅপনা বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিএসগী নুমিদাং অমা, পুন্সিগী মোনালিসানা তারে। বেষ্ট দিসিপ্লিননা বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিএসনগী নুমিদাং অমা, পুন্সিগী অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট দিসিপ্লিননা ইম্ফাল ঠিএটরগী মীহাৎনা তারে। বেষ্ট কোমেদিয়ানেনা মৈতৈ আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী লুপাগী খুদোপ্তা পাকচাউ শাখিবা আর কে রামেশ্বর, বেষ্ট চাইল্ডনা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়ন এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী ৱাকৎতা থোইবীমচা শাখিবা কে ইরাইঙানবী, বেষ্ট এক্টরনা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরগী ৱাকৎতা থোইবা শাখিবা থোংজু নবনা, সেকেন্দ বেষ্ট এক্টরনা বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিয়েসনগী নুমিদাং অমা, পুন্সিগীদা থোইবা শাখিবা এন ঙাম্থোইনা তাখ্রে। বেষ্ট এক্ট্রেসনা কংলৈ লিভিং আর্টসকী ওক্তবীদা থম্বাল শাখিবী মৈকাম বেবী গ্রেস অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট এক্ট্রেসনা বাশিখোং দ্রামাটিক এসোসিয়েসনগী নুমিদাং অমা, পুন্সিগীদা থারোশংবী শাখিবী এন তোন্দোনবীনা তাখ্রে হায়রি।

## য়ুনিয়ন শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ঃ সোসল ৱার্করশিং অমসুং পব্লিক লিদরশিংগী ওইবা মীফম অমা হৌখিবা জন্যুৱারী ১দা ককচিংদা কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারী ১দগী হৌগদৌরিবা দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রেন্সফর স্কীম ফোর এল পি জিগী তান্নবদা ককচিংগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমক ককচিং জি পি দব্লিয়ু কঞ্জ্যমরস ৱেলফে'র য়ুনিয়ন কৌবা লূপ অমা শেমখ্রে। লূপ অসিগী কমিটিনা মেম্বর ১২না শাবনি। মসিগী হেল্প লাইন নম্বরশিংনা ৭৩০৮০৫৮৮৫৮ অমসুং ৯৮৫৬৩৩২৯৬২নি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী কনভীনর কে এস ঐচ সুরেশনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1432


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | | 4 | 1 | | | | |
| | | | 5 | | | | 3 | |
| | 3 | | | | | 7 | | 5 |
| | | | | | 5 | | | 4 |
| | 8 | | | | 9 | 5 | | 6 |
| | 9 | | 3 | | | | | |
| 5 | 2 | 1 | | | | | 8 | |
| 4 | | | | | | | | |
| | | 3 | | 4 | 7 | 2 | 5 | |

Solution-1431

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | 1 | 2 | 7 | 4 | 3 | 5 | 9 |
| 2 | 4 | 3 | 9 | 5 | 1 | 7 | 8 | 6 |
| 5 | 7 | 9 | 6 | 3 | 8 | 2 | 1 | 4 |
| 7 | 2 | 8 | 5 | 4 | 3 | 6 | 9 | 1 |
| 4 | 1 | 5 | 7 | 9 | 6 | 8 | 3 | 2 |
| 3 | 9 | 6 | 1 | 8 | 2 | 4 | 7 | 5 |
| 6 | 3 | 7 | 4 | 1 | 5 | 9 | 2 | 8 |
| 9 | 5 | 2 | 8 | 6 | 7 | 1 | 4 | 3 |
| 1 | 8 | 4 | 3 | 2 | 9 | 5 | 6 | 7 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

## CROSSWORD-1624



**ACROSS**
1 Waterfall (8)
5 Cans (4)
8 Pulsate (5)
9 Border plant (7)
11 Diminish, shrink slowly (7)
12 Precious stone (5)
13 Christmas songs (6)
15 Commotion (6)
18 Snug (5)
20 Saviour (7)
23 Knee bone (7)
24 Thrown (5)
25 Petty quarrel (4)
26 Surprised (8)

**DOWN**
1 Quoted (5)
2 Breed of dog (7)
3 Dressed (5)
4 Young cattle (6)
6 Relative by marriage (5)
7 Vivid red (7)
10 Small and elegant (5)
13 Pilot's compartment (7)
14 Faithful (5)
16 Out of the ordinary (7)
17 Bosom (6)
19 Theme (5)
21 More secure (5)
22 Inflexible (5)

Solution 1623

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | E | L | L | O | W | ■ | C | A | N | C | E | L |
| U | ■ | E | ■ | T | ■ | ■ | ■ | D | ■ | A | ■ | A |
| R | O | A | C | H | ■ | D | E | M | O | N | I | C |
| I | ■ | T | ■ | E | ■ | E | ■ | I | ■ | O | ■ | K |
| A | D | H | E | R | E | D | ■ | R | I | N | S | E |
| L | ■ | E | ■ | ■ | ■ | I | ■ | A | ■ | ■ | ■ | Y |
| ■ | ■ | R | I | D | I | C | U | L | E | D | ■ | ■ |
| K | ■ | ■ | ■ | A | ■ | A | ■ | ■ | ■ | O | ■ | O |
| I | N | C | U | R | ■ | T | R | A | W | L | E | R |
| S | ■ | O | ■ | L | ■ | E | ■ | V | ■ | P | ■ | A |
| M | A | R | R | I | E | D | ■ | A | S | H | E | N |
| E | ■ | G | ■ | N | ■ | ■ | ■ | I | ■ | I | ■ | G |
| T | W | I | N | G | E | ■ | G | L | A | N | C | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE




HL-P/2624/8 Dec-6Feb (Alt)



HL-B/2177/23/12-22/1



HL-B/2149/1-31



HL-B/2595/28,31